২৮শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮

যুবরাজ, অশিস, মিনরভা, খন্দজিৎ, নিকিতা, রবিতা, এন্দ্রিয়ু তেলহৈবা, রাহুল, লোয়ুম্বা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) দেল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর রাইফল এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জতা পাঙথোকপা ২৮শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮গী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা নোংমাইথেম যুবরাজ, কোংব্রাইলাৎপম অশিস শর্ম্মা, মিনরভা লবুকতোংবম, নাওরেম খন্দজিৎ, নিকিতা খুলেম, খ্বাইরাকপম রবিতা, এন্দ্রিয়ু তেলহৈবা লৈতান্থেম, শিলভিয়া লৌক্রাকপম, ফুরাৎলাৎপম রাহুল শর্ম্মা অমসুং লোয়ুম্বা লৈতান্থেম গোল্ড লৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৪গী নুপী ৪৩ অমসুং নুপা ৮৫ পূম্না শুটর ১২৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ২৮শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮গী মিটর ১০গী মেন ইন্দিভিজুএল এয়র রাইফল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী নোংমাইথেম যুবরাজনা পোইন্ট ৩৮৫ ফংদুনা গোল্ড, বি এস আই এস সীগী লাবিস ওইনাম্না পোইন্ট ৩৮০ ফংদুনা শিলভর অমসুং বি এস আই এস সীগী গুরুময়ূম দেবজিৎ শর্ম্মনা পোইন্ট ৩৭৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল এয়র রাইফল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী নোংমাইথেম যুবরাজনা পোইন্ট ৩৮৫ ফংদুনা গোল্ড, বি এস আই এস সীগী লাবিস ওইনাম্না পোইন্ট ৩৮০ ফংদুনা শিলভর অমসুং বি এস আই এস সীগী গুরুময়ূম দেবজিৎ শর্ম্মনা পোইন্ট ৩৭৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী য়ুথ মেন ইন্দিভিজুএল এয়র রাইফল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী নোংমাইথেম যুবরাজনা পোইন্ট ৩৮৫ ফংদুনা গোল্ড, বি এস আই এস সীগী লাবিস ওইনাম্না পোইন্ট ৩৮০ ফংদুনা শিলভর অমসুং বি এস আই এস সীগী গুরুময়ূম দেবজিৎ শর্ম্মনা পোইন্ট ৩৭৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ২৫গী জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল সেন্তর ফায়র পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী কোংব্রাইলাৎপম অশিস শর্ম্মনা পোইন্ট ২১৯ ফংদুনা গোল্ড অমসুং জে এস আর আই পি এসকী জুপিটর অসেম্না পোইন্ট ১৮২ ফংদুনা শিলভর লৌখি।

মিটর ২৫গী ৱিমেন ইন্দিভিজুএল স্পোর্টস পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী মিনরভা লবুকতোংবম্না পোইন্ট ২৫২ ফংদুনা গোল্ড, আই দব্লিয়ু দি আর এগী ইরেংবম রিমানা পোইন্ট ২৫১ ফংদুনা শিলভর অমসুং আই দব্লিয়ু দি আর এগী নিকিতা খুলেম্না পোইন্ট ২৪৮ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ২৫গী জুনিয়র ৱিমেন ইন্দিভিজুএল স্পোর্টস পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী মিনরভা লবুকতোংবম্না পোইন্ট ২৫২ ফংদুনা গোল্ড, আই দব্লিয়ু দি আর এগী নিকিতা খুলেম্না পোন্ট ২৪৮ ফংদুনা শিলভর অমসুং আই ঈ দি আর এগী থৌদাম মেরিস্নানা পোইন্ট ৩৩৭ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী মেন ইন্দিভিজুএল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী নাওরেম খন্দজিৎনা পোইন্ট ৩৬৮ ফংদুনা গোল্ড, আই ঈ দি আর এগী কবিব কেথরনা পোইন্ট ৩৬৬ ফংদুনা শিলভর অমসুং আই ঈ দি আর এগী জয়চান্দ থোইদিংজম্না পোইন্ট ৩৫১ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী ৱিমেন ইন্দিভিজুএল এয়র পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী নিকিতা খুলেম্না পোইন্ট ৩৫৭ ফংদুনা গোল্ড, আই ঈ দি আর এগী সিলভিয়া লৌক্রাকপম্না পোইন্ট ৩৫৩ ফংদুনা শিলভর অমসুং বি এস আই এস সীগী গ্রীনলেন ৱাংজম্না পোইন্ট ৩৪৮ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী জুনিয়র ৱিমেন ইন্দিভিজুএল এয়র পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী নিকিতা খুলেম্না পোইন্ট ৩৫৭ ফংদুনা গোল্ড, আই ঈ দি আর এগী সিলভিয়া লৌক্রাকপম্না পোইন্ট ৩৫৩ ফংদুনা শিলভর, বি এস আই এস সীগী গ্রীনলেন ৱাংজম্না পোইন্ট ৩৪৮ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী য়ুথ মেন ইন্দিভিজুএল এয়র পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা বি এস আই এস সীগী এন্দ্রিয়ু তেলহৈবা লৈতান্থেম্না পোইন্ট ৩৫৯ ফংদুনা গোল্ড, আই ঈ দি আর এগী ফুরাইলাৎপম রাহুল শর্ম্মনা পোইন্ট ৩৫১ ফংদুনা শিলভর অমসুং আই দব্লিয়ু দি আর এগী য়ুম্নাম মোরাম্বনা পোইন্ট ৩৪৭ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী য়ুথ ৱিমেন ইন্দিভিজুএল এয়র পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী সিলভিয়া লৌক্রাকপম্না পোইন্ট ৩৫৩ ফংদুনা গোল্ড, বি এস আই এস সীগী গ্রীনলেন ৱাংজম্না পোইন্ট ৩৪৮ ফংদুনা শিলভর অমসুং আই ঈ দি আর এগী খুল্লাকপম সুলতানানা পোইন্ট ৩৪০ ফংদুবা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী সব জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল এয়র রাইফল (এম আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী নোংমাইথেম যুবরাজনা পোইন্ট ৩৮৫ ফংদুনা গোল্ড, বি এস আই এস সীগী লাবিস ওইনাম্না পোইন্ট ৩৮০ ফংদুনা শিলভর অমসুং বি এস আই এস সীগী গুরুময়ূম দেবিদ শর্ম্মনা পোইন্ট ৩৭৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০গী সব জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল এয়র পিষ্টল (এম আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী ফুরাইলাৎপম রাহুল শর্ম্মনা পোইন্ট ৩৫১ ফংদুনা গোল্ড, আই ঈ দি আর এগী অমকচম য়োহেনবা মীতৈনা পোইন্ট ৩৫০ ফংদুনা শিলভর অমসুং জে এস আর আই পি এসকী জেনিস মোইরাংথেম্না পোইন্ট ৩৩৮ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ বোইজ এন্দ গর্লস নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট

বিকি, তমোক্না, লালরুইজেন, অরিয়া, বুষন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন (আই দি টি এ) লম্ফেলনা শিন্দুনা এসোসিএসন অসিগী টেনিস কোর্টতা পাঙথোকপা এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ বোইজ এন্দ গর্লস নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা বোইজ সিঙ্গলসকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা মণিপুরগী শগোলশেম বিকি অমদি বুষন হাওবম, অরিয়া ভট্টাচার্যা, লালরুইজেন জে ঐচ, তমোক্না দাস, গঙ্গুলি অনরভা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী নুপা ২৭ অমসুং নুপী ২১ পূম্না শান্নরোয় ৪৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ বোইজ এন্দ গর্লস নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বোইজ সিঙ্গলসকী অহানবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা গাঙ্গুলি অনরভা অমসুং মণিপুরগী থোকচোম নিরজ শান্নখি। মেচ অদু গাঙ্গুলি অনরভানা থোকচোম নিরজপু ৮-২দা, অনীশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মণিপুরগী শগোলশেম বিকি অমসুং রুসিল হোসলা শান্নখিবা মেচ অদু শগোলাশেম বিকিনা ৮-২দা, অহুমশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা তমোক্না দাস অমসুং স্পার্চ পরমার শান্নখিবা মেচ অদু তমোক্না দাসনা স্পার্চ পরমারবু ৮-৪দা, মরিশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা লালরুইজেন জে ঐচ অমসুং দাক্স প্রসাদ শান্নখিবা মেচ অদু লালরুইজেন জে ঐচনা দাক্স প্রসাদপু ৮-৬তা, মঙাশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা আর্য়া ভাট্টাচার্য্য অমসুং সুদানসু হরকাটাকিয়া শান্নখিবা মেচ অদু আর্য্য ভাট্টচার্য্যনা সুদানসু হরকাটাকিয়াবু ৮-২দা অমসুং ঙসিগী অরোইবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা মণিপুরগী হাওবম বুষন অমসুং মাননাথ শান্নখিবা মেচ অদু হাওবম বুশন্না মাননাথপু ৮-২দা মায়থীবা পীরদ্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

গর্লস সিঙ্গলসকী অহানবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা সুরটি অলাৱট অমসুং ধানি শ্রীবাষ্টাভা শান্নখিবা মেচ অদু সুরটি অলাৱটনা ধনি শ্রীবাষ্টাভাবু ৮-০দা, অনীশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ইসিতা সিংহ অমসুং প্রাভিত্রা পরিক শান্নখিবা মেচ অদু প্রভিতা পরিক্না ইসিতা সিংহবু ৮-১দা অমসুং অহুমশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ক্রিসা ভট্টাচার্য্য অমসুং লক্সমি প্রা অরুনকুমার শান্নখিবা মেচ অদু লক্সমি প্রা অরুনকুমারনা ক্রিসা ভট্টাচার্য্যবু ৮-০দা, মরিশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা দুর্গান্সি অমসুং বর্ম্মা জগদিও শান্নখিবা মেচ অদু দুর্গান্সিনা বর্ম্মা জগৎতিওবু ৮-৭ (২) অমসুং মঙাশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা অহমেদ সিমরিন অমসুং ভান্সিকা অগরৱাল শান্নখিবদা মেচ অদু ভন্সিকা লাক্তবদগী সিমরিন অহম্মদনা ৱর্ক ওভর ফংলগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনসেকরননা কনাদাগী দেনিস শপোভালোবপু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

ষ্টুটগার্ট, জুন ১৩ (এজেন্সী) ঃ জর্মেনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা পাঙথোকপা এটিপি মার্সিদিজ কপ টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিস গুনসেকরননা কনাদাগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা দোনিস শপোভালোবপু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিস গুনসেকরন ইন্দিয়াগী দেবিস কপ টিমদা শরুক য়াদুনা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা নুপাগী টেনিস শান্নরোয় অমনি। মহাক্না জর্মেনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা পাঙথোকপা এটিপি মার্সিদিজ কপ টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা কনাদাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৬শুবা সীদেদ ওইরিবা ৱর্ল্ড নম্বর ২৩ দেনিস শপোবালোবপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নুরগা সেট ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

এটিপি মার্সিদিজ কপ টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দ অদুগী অহানবা সেট অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিসনা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা কনাদাগী শান্নরোয় অদুবু হীরম খুদিংমক্তা লম্বা পীবা ঙমখি। সেট অদুদা শান্নরোয় অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা য়াম্না মান্নখিবা মরম্না গেম ৬-৬তা লৈনখি। টেনিস মশান্নগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না শান্নরোয় অনীনা টাইব্রেক শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিসনা পোইন্ট ৮-৬দা হেনখিবদগী অহানবা সেট অদু থোইদুনা মাঙজিল থাদনা লৈখি।

এটিপি মার্সিদিজ কপ টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী অহানবা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী প্রজনিসনা অহানবা সেট মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেটতা কনাদাগী শান্নরোয় শপোভালোবনা ফজবা হেল্লকপদগী ইন্দিয়াগী প্রজনিস মায়কৈ খরদা লাকশিনবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী প্রজনিসকী সার্ভিস গেম অনী কনাদাগী শান্নরোয় দেনিসনা ব্রেক তৌদুনা মাঙজিল থানা চৎখি।

শোথখিবা সার্ভিস গেম অনী ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরন্না ফুকৎপা ঙমখিদবদগী য়ুরো ৭২৯,৩৪০গী শেলগী মনা লৈবা গ্রাসকোর্ট ইভেন্ট অমা ওইরিবা এ টি পি মার্সিদিজ কপ টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সেট অদু কনাদাগী শান্নরোয় অদুনা ৬-২দা থোইদুনা শান্নরোয় অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

নীংশিংবা য়াই, প্রজনিস গুনেশ্বরন্না ইন্দিয়াগী দেবিস কপ টিমদা শরুক য়াদুনা হন্দক্তা চাইনাগা শান্নখিবা টাই অদুদা লৈবাক অনী মেচ ২/২ থোইনদুনা লৈরবা মতুং দিসাইদিং ওইখিবা সিঙ্গলসকী মেচ অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী দেবিস কপকী টাই অদু মায় পাকহনবা ঙমখিবনি।

জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা পাঙথোক্লিবা এ টি পি মার্সেদিজ কপ টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী লম্বা মান্নরবা মেচ অদুগী ৩শুবা সেট অদু ইন্দিয়া অমসুং কনাদাগী শান্নরোয়না পাঙ্গল মান্ননা থেংনরকখি।

সেট অদুগী অথোইবনা টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌগদবা মরম্না মায়কৈ অনীমক্তুগী অশোয়বা লৈতনবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় অদুনা কনাদাগী ৱর্ল্ড নম্বর ২৩ দেনিস শাপোভালোবকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মহাক্কী সর্ভিস গেমসশিং অদু হোল্ড তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা গুনেশ্বরন্না টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৭৫ গুইদো পেলাগা লম্বা তৌনরগনি। করিগুম্বা মেচ অদু মহাক্না মায় পাকপা ঙম্লবদি টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা মমিং লৈরবা শান্নরোয় স্বিজরলেন্দগী শান্নরোয় রোজর ফেদররগা থেংনরবা য়ারি।

পনবা য়াই, প্রজনিস গুনেশ্বরন হন্দক্তা টেনিস শান্নরোয়শিংগী খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা মালেমগী ওইবা রেঙ্কিংসতা সিঙ্গলসকী ওইনা ১৬৯শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। ষ্টুটগার্ট টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা মহাক্না মঙোন্দগী থাক ১৪৬ হেন্না লৈরিবা শান্নরোয় অমা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অদুনা মথংগী রেঙ্কিং লিষ্ট থোরকপদা শুংশোয় শোয়দনা থাক অমুক হাইগৎলক্কনি।

ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোয়শিংনা চহী খরা অসিদা মখোয়দগী থাক হেন্না ৱাংবা শান্নরোয় কয়া মায়থীবা পীবা ঙম্বগী মশান্না অমা উবা ঙম্মী। চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় য়ুকি ভাম্ব্রিনা ৱর্ল্ড নম্বর ১২ শান্নরোয় ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু মায়থীবা পীখি। মদুগী মাঙওইননা ভাম্ব্রিনা ওগষ্ট ২০১৭তা ৱর্ল্ড নম্বর ২২ ফ্রন্সকী গেল মোনফিলসপু মায়থীবা পীখি। অদুগা মমাঙ চহীগী জুন থাদা রাম কুমার রামানাথন্না ২০১৮কী ফ্রেন্স ওপন রন্নর্স-অপ দোমিনিক থিয়েমবু থোরইরম্বনি।

২০১৮ চেছ ওলেম্পিয়াদগীদমক ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম খনবা লোইখ্রে

চেন্নাই, জুন ১৩ (এজেন্সী) ঃ ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসন (এ আই সী এফ) না চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা জিওর্জিয়াগী সিটি বাটুমিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেছ ওলেম্পিয়াদ ২০১৮দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোয় ৫ অমসুং নুপী শান্নরোয় ৫ খনখ্রে।

ফেদরেসন অসিগী সেক্রেটরি ওইরিবা ভারত সিংহ চৌহান্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না বাটুমিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেছ ওলেম্পিয়াদ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ১০ খনগৎতুনা মালেমগী অতোপ্পা চেছ শান্নবা লৈবাকশিংগী অফবা শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌবা ঙম্নবা শেম শাখিবনি হায়খি।

চেন্নাইদা লৈবা কম্পেনি রামকো গ্রুপনা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোয়শিং অদুবু স্পোন্সর তৌগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

নুপাগী শান্নরোয় ৫গী মনুংদা চেছকী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ৫রক লৌবা ঙমখ্রবা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ১৪শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দনা টিম অদুগী লুচিংবা ওইগদৌরি।

আনন্দ ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭৫৯ ফংদুনা লৈরি। মহাকপু মতেং পাংগদৌরিবা টিমমেটশিং অদুদি ৱর্ল্ড নম্বর ২২ ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭৩২ ফংলিবা গ্রান্দ মাষ্টর পেন্দালিয়া হরিকৃষ্ণ, ৱর্ল্ড নম্বর ৩২ ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭১০ ফংলিবা গ্রান্দ মাষ্টর বিদিট সন্তোস গুজরাথি, ৱর্ল্ড নম্বর ৬৮ ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৬৭১ ফংলিবা গ্রান্দ মাষ্টর বি অদিবন অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ৭৮ ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৬৬৬ ফংলিবা গ্রান্দ মাষ্টর কে সসিকিরননি।

নুপীগী টিমদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা জিওর্জিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেছ ওলেম্পিয়াদ ২০১৮দা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপীগী শান্নরোয় ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৫৫৭ ফংলিবী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পি, ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৪৯৪ ফংলিবী গ্রান্দ মাষ্টর হরিকা দ্রোনাভালি, ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৩৯৯ ফংলিবী গ্রান্দ মাষ্টর ঈশা করাভদে, ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৩৯৩ ফংলিবী গ্রান্দ মাষ্টর টানিয়া সচদেব অমসুং ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৩৫২ ফংলিবী গ্রান্দ মাষ্টর পদমিনি রাৱটনি।

ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসনগী সেক্রেটরি ভারত সিংহ চৌহান্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াগী চেছ ওলেম্পিয়াদতা শরুক য়াগদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোয়শিং অসিবু স্পোন্সর তৌরিবা কম্পেনি রামকো গ্রুপ লোগোশিং অদু শান্নরোয়শিং অদুগী ফিরোলদা নপ্তুনা মশক খঙহনগদৌরি।

মহাক্না মখা তারদুনা শান্নরোয়শিং অসিগী ঈ এল ও রেটিং পোইন্টকী মতুং ইন্না ফেদরেসন অসিনা শেলগী মতেংসু পীগদৌরি। নুপাগী কাঙলুপ্তা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৬৫০গী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংদা লুপা লাক্ষ ২ অদুগা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৬০০গী মথক্তা লৈবা শান্নরোয়শিংদা লুপা লাক্ষ ১.৫গী শেলগী মতেং পীগদৌরি।

নুপীগী শান্নরোয়শিংগী ওইনা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৪০০গী মথক্তা লৈবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ ১ পীগদৌরি। অদুগা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২০০০গী মথক্তা লৈবা শান্নরোয়শিংদা লুপা লিশীং ৮০ শেলগী মতেং পীগদৌরি।

ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মখা তানা ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয়শিং অদুদা শেলগী মতেং তোঙান্না চেছ ওলেম্পিয়াদ অদু লোইরবা মতুংদা পীগদৌরি। করিগুম্বা টিমগী ওইনা গোল্ড মেদল ফংলকপা ঙম্লবদি শরুক য়ারিবা মেম্বর খুদিংমক্না লুপা লাক্ষ ৩গী শেলগী মনা ফংগদৌরি। শিলভর মেদল ফংলক্লগনা লুপা লাক্ষ ১.৫ অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলক্লগনা শরুক য়ারিবা নুপা নৎত্রগা নুপীগী শান্নরোয় খুদিংমক লুপা লিশীং ৭৫গী শেলগী মনা ফংগদৌরি।

হেদস্কার্প রুলগী মতাংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় শরুক য়াখিদ্রে

হমাদান, জুন ১৩ (এজেন্সী) ঃ ইরান সিটি হমাদান্দা জুলাই ২৬তগী ওগষ্ট ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন টিম চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা নুপী শান্নরোয়শিংনা হেদস্কার্প হাপ্পগী অকক্নবা চৎন-পথাপ পীরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সোমিয়া স্বামিনাথন টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াররোই হায়খ্রে।

ইন্দিয়াগী নৌনা মমিং লৈরক্লিবী চেছ শান্নরোয় সোমিয়া স্বামিনাথন্না মহাক্কী ফেসবুক পেজদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না এসিয়ন টিম চেছ চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা নুপী শান্নরোয়শিংনা চৎন-পথাপ ওইনা হেদস্কার্প হাপকদবনি হায়বগী চৎনবী লৈরকপদগী মহাক্কী পার্সনেল রাইট ভাইওলেট তৌই হায়রদুনা চেম্পিয়নশিপ অদুদগী ৱিথদ্রো তৌখিবনি।

হেদস্কার্প হাপ্পা অদুনা ইরানগী চৎনবী ওইরবসু ইন্দিয়াদগী হৌখিবী সোমিয়া স্বামিনাথন্না চৎন-পথাপ অদুনা মহাক্কী ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন, ফ্রীদম ওফ থোর্ট, কন্সাইন্স অমসুং রিলিজনগী হকশিং অদু ভাইওলেট তৌবনি হায়না টুর্নামেন্ট অদুদগী ৱিথদ্রো তৌখিবনি।

মহাক্কী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা শান্নরোয়শিংদা অসিগুম্বা রিলিজনগী ওইবা অকক্নবা চৎন-পথাপশিং অসি থম্লোইদবনি হায়না মহাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোকপগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অদুগী ওর্গেনাইজরশিংনসু ৱাকৎখি। নীংশিংবা য়াই, কুম্সা ২০১৬তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপী শুটর হিনা সিধুনা ইরান্দা পাঙথোকপা এসিয়ন এয়রগন মীটতা হায়রিবা চয়েৎনবা অসিগা মান্ননা ৱিথদ্রো তৌবা লৈখি।

সুনিল ছেত্রি ষ্টারপিক্কী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা খনখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুন ১৩ (এজেন্সী) ঃ ওনলাইন ফেন্টাসি স্পোর্টস প্লেটফোর্ম ওইরিবা ষ্টারপিক কম্পেনিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইনা সুনিল ছেত্রি খনখ্রে।

ষ্টারপিক কম্পেনিগী কো ফাউন্দর অমসুং চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা ত্রিগাম মুখর্জিনা ঙসি ফোঙদোকখিবা কম্পেনি অদুগী চেরোল অমদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা নুপাগী ফুটবোল শান্নরোয় ওইরিবা কেপ্তেনগী থৌদাং লৌরিবা সুনিল ছেত্রিবু কম্পেনি অসিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা খনখিবদা নুংঙাইবা অমদি হরাউবা ফোঙদোকখি।

মুখর্জিগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, সুনিল ছেত্রি ইন্দিয়ন ফুটবোলগী অশেংবা চেম্পিয়ন অমনি হায়না থমখি। মহাক্না ষ্টারপিক কম্পেনি ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইদুনা কম্পেনি অসিগী মখা তারকপা শান্নবগী লমদা চাওখৎননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা সুনিল ছেত্রিগী মমিং য়াওবা মরম্না হান্না লৈরম্বা খোঙজেলদগী হেনগৎলগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা য়াম্না নৌনা পূক্নিং চঙখৎলক্লিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পামজবা মীয়ামশিংদা সুনিল ছেত্রিগী মমিং য়াওরবা ষ্টারপিক কম্পেনিগী পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহনবা ঙমগনি হায়রি।

কম্পেনি অসিগী মায়কৈদগী রুসিয়া ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী ওনলাইন প্লেটফোর্মদা য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ২০গী শেলগী মনা থমদুনা লৈবাক অসিগী ফুটবোল পামজবা মীওই কয়া প্লেটফোর্ম অসিদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনরি।

প্লেটফোর্ম অসিনা ওনলাইন্দা ফুটবোল পামজবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা অফবা শান্নরোয়শিংগী মমিং খনগৎতুনা টিম শেম্লগা ৱর্ল্ড কপ অসিগা মরী লৈননা ফুটবোলগী মতাংদা অহেনবা লৌশিং লৈহন্নবা পান্দম থম্লি।

EMPLOYMENT NEWS

SL No	POST	QUALIFICATION	AGE	BRANCH	VAC
1	Computer Operator	Graduate (DTP/TALLY)	20-30	H.Q	3
2	Cashier/Accountant	B.COM With TALLY	25-30	H.Q	2
3	Office Asst.	Graduate - Any Stream (Computer Knowledge)	20-30	Samurou, Kakching, Thoubal, Moirang, H.Q	2+2+2+2+2+2
4	Driver (Car&Truck)	3 to 5 yrs. Experience	20-30	H.Q	5
5	Mechanic (2/W)	VIII Passed	20-30	Rs.8,000 to Rs.15,000 P/m	4
6	Grade-IV	VIII Passed	20-30	H.Q	3
7	Security/Gunman	VIII Passed	20-30	Rs.6,000 to Rs.12,000 P/m	3+3

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 20th JUNE 2018.

L.G.MOTORS (H.Q), KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL-WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Please contact:- 9774495994/8731978490
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.

HL-B/4594/23/4-22/6 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com